# ৱাহেংবম থোইবী দেবী চেলেঞ্জ হোকিদা বি ঈ জি পুনে অমসুং এস এস বি লক্ষনৌ মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২ ঃ
ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক ষ্টেটতা খ্বাইদগী চাউবা হোকি টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা অনীশুবা ৱাহেংবম থোইবী দেবী চেলেঞ্জ হোকি টুর্নামেন্ট (মেন'স ওপন) ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা বি ঈ জি পুনেনা এফ সি আই নোর্থ ইষ্ট জোন গোল ৩-২ দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসিগী মেচতা মায় পাক্লবা বি ঈ জি পুনে মেচ অহুম শান্নখিবদা অহুম্মক মায় পাক্কুনা গ্রুপ এগী পোইন্ট টেবলদা মকোক্তা লৈদুনা সেমী ফাইনেল চঙনবগী লম্বী য়াম্না নক্না লৈখ্রে। অদুম ওইনমক মেচ মায়থীহৌরবা এফ সি আই নোর্থ ইষ্ট জোন ঙসিগা থানা মেচ অহুম শান্নখিবদা অহানবা মেচ মায় পাকখি। অতোপ্পা মেচ অনীনা মায়থীদুনা ফীভম খরা লুনা লৈরি।

টিম ৯ না শরুক য়াদুনা মমাঙ থাগী তাং ২৮ দগী চথরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা বি ঈ জি পুনে অমসুং এফ সি আই নোর্থ ইষ্ট জোনগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইনা শান্নখিবনা অহানবা হাফ ফাওবদা টিম অমত্তনা গোল চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

মতম অমগী লৈবাক শিনবা থুংনা মমিং সেগাক কায়না চৎখিবা ওলেম্পিয়ন কে এস ঐচ থোইবা এফ সি আই নোর্থ ইষ্ট জোনগী মরু ওইবা শান্নরোয় অমা ওইনা শরুক য়ারি। চহী য়ামজরবসু ওলেম্পিয়ন থোইবা থৌনা হনবা লৈতনা নহাগী মতৌগুম্না য়াম্না কন্না শান্নখি। টিম অনীমক অমনা অমবু লাকশিনবা ঙম্নদনা অহানবা হাফ ফাওবদা গোল চন্নদনা লৈখি।

হাফ মতুংদা মায়কৈ অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা লাল্লোং কয়া তৌদুনা অকনবা এটেক চত্থনরকখি। এফ সি আই নোর্থ ইষ্ট জোননা মেচ অদুদা পেনালটি কোর্নর তরুক ফংখিবদা গোল অমা ওন্থোকপা ঙমখি। বি ঈ জি পুনেনা পেনালটি কোর্নর মঙা ফংখিবদা গোল অমত্তা ওন্থোকপা ঙমখিদে। মেচ মায়থীজরবসু এফ সি আই নোর্থ ইষ্ট জোনগী টি ঐচ কিরনকুমারনা মেচকী ৪২ শুবা মিনিটতা গোল একাউন্ট হাংদোকখি।

এফ সি আইনা গোল অমা হেক মাঙজিল থাখিবগা গোল শোত্থরিবা বি ঈ জি পুনেগী শান্নরোয়শিংনা থেংথবা তৌদনা মেচকী ৪৮ শুবা মিনিটতা রাজেন্দ্র একানা গোল ইক্বেলাইজ তৌখি। টিম অনীমক্না গোল অমমম চন্নদুনা লৈখ্রবা মতুং মেচকী ৫০ শুবা মিনিটতা বি ঈ জি পুনেগী সামকাম দুলানানা টিমগী অনীশুবা গোল চনখি। মেচকী ৫৭ শুবা মিনিটতা বি ঈ জি পুনেগী হেরোজিৎনা টিমদুগী অহুমশুবা গোল চনখি।

গোল অনী শোত্থনা লৈরিবা এফ সি আই নোর্থ ইষ্ট জোনগী কে ইবুংঙোনা টিমদুগী অনীশুবা গোল মেচকী ৬৬ শুবা মিনিটতা পেনালটি কোর্নরদা চন্দুনা বি ঈ জি পুনেদগী গোাল অমা হন্দোকপা ঙমখি। অদুম ওইনমক মখা তানা এফ সি আইনা গোল অনীদগী হেন্না চনবা ঙমখিদবনা বি ঈ জি পুনেগী মখুৎতা মায়থীহৌখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা এস এস বি লক্ষনৌনা সিয়ো শিংজমৈ ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকায় গোল ৭-০ দা মায়থীবা পীখি। মেচ মায় পাক্লবা এস এস বি লক্ষনৌনা মেচ অহুম শান্নখিবদা অহুম্মক মায় পাক্কুনা পুল বিগী মকোক্তা লৈদুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে। মায়থীহৌরবা সিয়ো শিংজমৈ মেচ অহুম শান্নখিবদা মেচ অনী মায়থীরগা মেচ অমনা মায় পাক্কুনা লৈরি।

ঙসিগী মেচ অদুদা এস এস বিগী গোলশিং অদু এল জয়চন্দ্র, রাহুল রাজবির, কে নাওচা, এ শান্তিকুমার অমসুং পমকায়না গোল অমমম চনখি। টিমদুগী শান্নরোয় অরিফনা গোল অনী চন্দুনা টিমদুগী পূন্না গোল ৭ শুখি।

# রিও ওলেম্পিক-২০১৬ কী মতিক মগুন






ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২ ঃ
কুমজা ২০১৬ কী কালেনগী মতমদা পাঙথোকপা ৩১ শুবা ওলেম্পিক গেমসকী য়ূম্বু ওইরিবা ব্রাজিল অসি ফুটবোল নত্তনা করম করম্বা মশান্নশিংদা মালেমগী থাক্তা লৈবাক অসিগী মীংচৎ থম্বা ঙম্বা য়াওবগে হায়বা ৱাহংশিং মায়কৈ কয়াদগী লাক্লরি। লৈবাক অসিগী ফুটবোল টিম্না ঙসি ফাওবদা ওলেম্পিক্কী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমদ্রি। অনীশুবা পোজিশন্দা অনীরক, অহুমশুবা পোজিশন্দা অহুল্লক্তি মেদল ফংবা ঙমখ্রে। নুপীগী ফুটবোল টিমদি ওলেম্পিক্কী সনাগী মেদল অমুক লৌবা ঙমখ্রে।

তৌইগুন্নসুং লৈবাক অসিবু ওলেম্পিক্কী মিংচৎ পুরক্লিবা মশান্নশিংদি ভোল্লিবোল, বাস্কেটবোল, সেলিং, এঠলেটিক্স অমসুং জুদোনি। ভোল্লিবোলদা ব্রাজিলগী নুপা অমসুং নুপীগী টিম্না ওলেম্পিক্তা সনাগী মেদল তরুক ফংবা ঙমখ্রে। নুপাগী ভোল্লিবোল টিম্না ফেদরেশন ইন্টরনেসনেল ভোল্লিবোলগী ৱর্ল্ড লীগ চেম্পিয়ন ৯ ওইরি। লৈবাক অসিনা ওলেম্পিক্তা সনাগী মেদল তরুক ফংলিবা অসিগী মনুংদা অহুম অমদি নুপীগী টিম্না ফংখিবনি। নুপাগী ৱর্ল্ডলীগ ভোল্লিবোল চেম্পিয়ন অসিবু নুপীগীদনা ফেদরেশন ইন্টরনেসনেল ভোল্লিবোল ৱর্ল্ডগ্রান্দ প্রী হায়না মমিং থোন্দুনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ পাঙথোকই। মদুদা ব্রাজিলগী নুপী ভোল্লি শান্নরোয়শিংনা ১০ রক ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইবগী রেকোর্দ অমা থল্লি। অসুম্না লৈবাক অসিদা ফুটবোলগী মথংদা ভোল্লিবোলনা খ্বাইদগী মীয়াম্না পাম্নবা মশান্না ওইরি।

**রিও ওলেম্পিক কাউন্ট দাউন**

লৈবাক অসিগী নুপাগী বাস্কেটবোল টিম্না ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন অনীরক ওইবা ঙমখ্রে অমদি কুমজা ১৯৪৮ (লন্দন), কুমজা ১৯৬০ (রোম) অমসুং কুমজা ১৯৬৪ (টোকিও) ওলেম্পিক্তা অহুমশুবা পোজিশন তাদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। হৌজিক লৈবাক অসিনা ওলেম্পিক্তা সনাগী মেদল খ্বাইদগী হেন্না ফংবা গেমশিংদি ভোল্লিবোল, সেলিং, এঠলেটিক্স অমসুং জুদোনি। লৈবাক অসিনা কুমজা ১৯২০ দগী হৌনা ওলেম্পিক্তা শরুক য়ারকপদগী হৌজিক ফাওবদা পূন্না সনাগী মেদল ২৩, লুপাগী ৩০, শেঞ্জেংগী ৫৫ ফংবা ঙমখ্রে। অমরোমদা ইন্দিয়ানা হৌজিক ফাওবদা সনাগী ৯, লুপাগী ৬, সেঞ্জেংগী ১১ খক্তমক ফংবা ঙম্মী।

# ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব অমসুং তেকচম পোলো ক্লব মায় পাক্কুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২ ঃ
ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুংদা মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএশন্না শিন্দুনা চথরিবা ৬ শুবা ৫৭ মাউন্টেন দিভিজন পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব অমসুং তেকচম পোলো ক্লব মায় পাক্কুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

লমদমসিগী মমিং লৈরবা পোলো টিম ১৩ না শরুক য়াদুনা নোক আউট বেসিসতা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল লাইন অপ লোইখিবগা লোয়নন্না হয়েং অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ খুরাই পোলো ক্লব টিম এ অমসুং চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব টিম এ কোংপালগা শান্নরগনি। অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা এক্স পোলো ক্লব ৱাঙ্খৈ অমসুং মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম বিগা শান্নরগনি।




ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লবনা খুরাই পোলো ক্লব টিম বি পাঞ্জল ৯-১ দা মায়থীবা পীদুনা ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি। মায়থীহৌরবা খুরাই পোলো ক্লব টিম বি টুর্নামেন্ট অসিদগী নীংবা কায়না লৈহৌরে।

মায় পাক্লবা ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লবকী এম মনিহারনা অহানবা চক্রদা পাঞ্জল অমা চনখি। অনীশুবা চক্রদা এম মনিহারনা পাঞ্জল অনী অদুগা কে ঐচ তোম্বীনা পাঞ্জল অমা চনখি। অহুমশুবা চক্রদা এস গিরিমোহোন্না পাঞ্জল ২ চনখি। মরিশুবা চক্রদা এম দোরেন, ও সোমোরজিৎ অমসুং কে ঐচ তোম্বী মখোয় অহুম্না পাঞ্জল ১/১ চন্দুনা টিমদুগী পূন্না পাঞ্জল ৯ শুখি। মায়থীহৌরবা খুরাই পোলো ক্লব টিম বিগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু এম দেবনাথনা অহানবা চক্রদা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা তেকচম পোলো ক্লবনা নম্বুল মপাল পোলো ক্লব পাঞ্জল ৪-২ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা নম্বুল মপাল পোলো ক্লব টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমদনা লৈহৌরে।

মেচ অদুদা লম্বা থেংনখিবা টিম অনীমক্না চাং মান্ননা শান্নখিবনা কনানা মায় পাক্কনি হায়বদা অৱাবা ওইখি। মায় পাক্লবা তেকচম পোলো ক্লবকী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্রদা এস রঞ্জিৎনা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা পাঞ্জলসু এস রঞ্জিৎনা অনীশুবা চক্রদা চনখি। টিমদুগী শান্নরোয় এস সদানন্দ অমসুং এস রঞ্জিৎনা পাঞ্জল ১/১ মরিশুবা চক্রদা চনখি। মায়থীহৌরবা নম্বুল মপাল পোলো ক্লবকী পাঞ্জল অনী অদু এল তরুন অমসুং পাইখোম্বনা চনখি।



HL-B/2883/10,13,16,19,22,25,27,30Jan

# লমলাই কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ ফুটবোল

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২ ঃ চালৌ য়ুঠ য়ুনিয়ন ক্লবনা শিন্দুনা ক্লব অসিগী প্লে গ্রাউন্দদা টিম ২৪ না শরুক য়াদুনা চথরিবা ৬ শুবা চালৌ কপ লমলাই কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ মেন'স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এস পি ৱাই সি সৈজাং অমসুং ৱাই দি সি এল পুংদোংবম মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা এস পি ৱাই সি সৈজাংনা এ টু জেদ পুংদোংবম গোল ৫-২ দা মায়থীবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা এস পি ৱাই সি সৈজাংগী অহানবা গোল ও আনন্দনা মেচকী ৪ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল পি ঐচ সন্তোসনা মেচকী ৫ শুবা মিনিটতা অদুগা ঐচ লন্দন্না টিমদুগী অহুমশুবা অমসুং মরিশুবা গোল মথংশিংনা মেচকী ১৯ অমদি ২৪ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ মায়থীহৌরবা এ টু জেদকী গোল অদু কে ঐচ নাওবনা মেচকী ২০ অমসুং ২৬ শুবা মিটিতা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা ৱাই দি সি এল পুংদোংবম্না এফ সি তখেল গোল ৫-২ দা মায়থীবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা ৱাই দি সি এল পুংদোংবমগী গোলশিং অদু বুলুনা গোল অহুম মেচকী ১৭, ৩৩ অমসুং ৪৯ শুবা মিনিটতা চনখি। তেলহৈবনা গোল অমা মেচকী ৩০ শুবা মিনিটতা অদুগা ৱাটসন্না গোল অমা মেচকী ৫১ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ মায়থীহৌরবা এফ সি তখেলগী গোল অনী অদু এল দেবান্না মেচকী ২৩ অদুগা ৱাই কন্দ্রংনা মেচকী ৪৩ শুবা মিনিটতা চনখি।

# বিরমনিনা টেক্নিকেল ওফিসিএল, সচিদানন্দনা কোচ ওইনা খল্লক্লে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২ ঃ থা অসিগী ৫ দগী ১৬ ফাওবা গুৱাহাটি অমসুং শিল্লোংদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২ শুবা সাউথ এসিয়ন গেমস (সাগ) গেমস ২০১৬ দা ইন্দিয়ন টিমগী তাওলুগী কোচ ওইনা সচিদানন্দ ময়াংলম্বম অমসুং এম বিরমনিবু টেক্নিকেল ওফিসিএল ওইনা খল্লক্লে।

শিল্লোংদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱুশু মশান্না অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়ন ৱুশু টিমগী কোচ ওইননবগীদমক মণিপুরদগী সেনিয়র তাওলু কোচ অমদি তাওলু গ্রেদ এ জজসু ওইরিবা ইন্টরনেসনেল ৱুশু ফেদরেশনগী টি রেফ্রি সচিদানন্দ ময়াংলম্বম খল্লক্লে। লোয়ননা ৱুশু এসোসিএশন ওফ ইন্দিয়াগী টেক্নিকেল চ্যেরমেন্দগী পোত্থারবা ময়াংলম্বম বিরমনি টেক্নিকেল ওফিসিএল ওইনা ইন্টরনেসনেল ৱুশু ফেদরেশন্না খল্লক্লে।

নীংশিংবা য়াই, কোচ ওইনা খল্লক্লবা সচিদানন্দ ময়াংলম্বম, ময়াংলম্বম বিরমনিগী মচানুপানি। মপা মচা অনীবু ইন্দিয়ন টিমগী কোচ অমদি ইন্দিয়ন টিমগী টেক্নিকেল ওফিসিএল ওইনা খল্লকপদা ৱুশু এসোসিএশন্না থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

# ৱাই এম দি ও টিম এ অমসুং এন ৱাই ভি এ নাওরেম্না ফাইনেল শান্নরগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২ ঃ
খোরি লৈকায় য়ুঠ এসোসিএশন নম্বোলনা শীন্দুনা চথরিবা ৩ শুবা ষ্টেট লেভেল জুনিয়র ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ফাইনেল হয়েং ৱাই এম দি ও টিম এ হৈরাঙ্গৈইথোং অমসুং এন ৱাই ভি এ নাওরেম অনীনা শান্নরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমী ফাইনেল মেচতা ৱাই এম দি ও টিম এ হৈরাঙ্গৈইথোংনা ৱাই ভি এ ঙাইরাংবম সেট ৩-০ দা মায়থীবা পীদুনা ৱাই এম দি ও টিম এ ফাইনেল চঙখি। অহানবা সেটতা ৱাই এম দি ও টিম এনা এন ৱাই ভি এবু পোইন্ট ২৫-১৫, ৩০-২৮, ২৫-২০ দা মায়থীবা পীখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতা এন ৱাই ভি এ নাওরেম্না আই জি ও টিম এ ওইনাম সেট ৩-১ (২৫-২২, ২৫-২১, ২৬-২৪) দা মায়থীবা পীখি।



H/L-B/2885/9/01-8/02

## L.G.MOTORS EMPLOYMENT NEWS

KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,IMPHAL WEST,
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING

| Sl. No | POST | QUALIFICATION | AGE | BRANCH | VACANCY |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Assistant Legal Advisor | LLB/ LLM | 18-25 | H.Q | 2 |
| 2. | Computer Operator | DTP/Tally(Know) | 18-25 | H.Q | 1 |
| 3. | Office Assistant | 10+2 (Computer know) | 18-25 | Thoubal | 2 |
| 4. | Office Assistant | 10+2 (Computer Know) | 18-25 | Kakching | 2 |
| 5. | Office Assistant | 10+2 (Computer know) | 18-25 | Sekmai | 3 |
| 6. | Office Assistant | 10+2 (Computer Know) | 18-25 | Samurou | 2 |
| 7. | Office Assistant | 10+2 (Computer Know) | 18-25 | Bishnupur | 2 |
| 8. | Office Assistant | 10+2 (Computer Know) | 18-25 | Nambol | 2 |
| 9. | Office Assistant | 10+2 (Computer Know) | 18-25 | Ghari Airport Road | 2 |
| 10. | Driver (Truck(LOCAL) & CAR) | 3 to 5 yrs. experience | 18-25 | H.Q | 1+1 |
| 11. | MECHANIC | 2/3/4 Wheeler | 18-25 | H.Q | 4 |
| 12. | Grade-IV | VIII Pass | 18-25 | H.Q | 2 |
| 13. | Brick Mistry | 5 to 10 yrs. experience | | H.Q | 3 |
| 14. | Glass Mistry | 5 to 10 yrs. experience | | H.Q | 5 |
| 15. | Electrician | 5 to 10 yrs. experience | | H.Q | 2 |

HL-B/2918/30,1,03,05,07,09,11,13,15....



H/L-B/2875/6,10,14,18,22,26,30&3




Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com